# মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হান্নগী মেম্বর অমসুং সেক্রেটরী লৈখিদবদা হাউসনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

তরামাথোই শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ঙসিদগী হৌখিবা নিপান শুবা নোংজু মীফমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হান্না মেম্বর ওইরম্বা ৫৭-হেংলেপ (এস টি) এ সিদগী হোলখোমাং হাওকিপ, ৪৫-চেঙাই (এস টি) এ সিদগী ডা মশাংথেম হোরাম, ৫৯-সাইকোট (এস টি) এ সিদগী এম চুংখোনৈ অমসুং এসেমব্লি অসিগী হান্নগী সেক্রেটরী ওইরম্বা এ হালিম চৌধুরি লৈখিদবদা হাউসনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা হাউসকী লুচিংবা নোংথোম্বম বিরেননা লৈখিদ্রবা হান্নগী মেম্বর অমদি সেক্রেটরীগী মতীক-মগুণশিং শীংথারদুনা হায়খি, হোলখোমাং হাওকিপ অসি অয়াম্বা মতমদা লৈত-লায়রশিংবু চিংখৎনবা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মিনিষ্টরগী ফম পায়রম্মী। মহাক কুমজা ১৯৭২ দগী ১৯৯৫ ফাওবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈদা মণিপুরদা লৈরিবা কম্যুনিটি খুদিংমক নুংশি-চান্ননা হিংমীন্ননবা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা চাউনা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবা অসিগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

ডা মশাংথেম হোরাম সোসিয়েল ৱার্কর, স্কোলার, অইবা অমসুং পোলিটিসিয়ান ওইরম্মী। হিল এরিয়াস কম্মিটিগী চেয়ার্মেন ওইরম্মী। মহাক প্রোফেসার অমা ওইনা হৌরকপনি। মহাক কুমজা ১৯৯০ দা কেবিনেট মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। মহাক তাঞ্জুল ফুরুপকী অহানবা ওইনা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চেয়ার্মেন ওইরম্মী। মহাক তাঞ্জুলগী ওইবা ঈশৈ কয়া অমসু ইরম্মী। মহাক্না খুন্নাই অসিদা পীরল্লিবা কন্ট্রিব্যুসন অসি অসুক্কী মতীক শীংথানিঙাইহনি। মহাক্কুম্বা লুচিংবা অমা লৈখিদবসি ষ্টেট অসিগী অমসুং লৈবাক অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ইংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু। ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়খি।

মহাক্না হায়খি, এম চুংখোসৈ কুমজা ১৯৭৭ দগী ১৯৯৯ ফাওবা এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা সেনিয়ার একাউন্টেন্ট ওইনা থবক পুরম্মী। মহাক লৈত-লায়রবশিং অখন্নবা মীৎয়েং চঙলম্বদা নত্তনা মহৈ-মশিনগী লমদসু ক্বালিটি এদুকেসন লৈহন্নবা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি। লোয়নননা এ হালিম চৌধুরি ষ্টেট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মৈতৈ পাঙলগী লুচিংবা অমা ওইরম্মী। মহাক শান্ন- খোৎনবদসু য়াম্না থৱায় য়াওবা মীশক অমসু ওইরম্মী। মহাক য়ু পি এস সি ফাওদুনা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা থৌদা কয়াদা শরুক য়ারম্বা মীশকনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইবদা নত্তনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়খি।

অৱাবা ফোঙদোকপা অদুদা শরুক য়ারদুনা হাউস অদুগী ওপোজিসনগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, হোলখোমাং হাওকিপ অসি কুমজা ১৯৭২ দা মণিপুরনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিদগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকপা মতমদা অহানবা এসেমব্লি অসিগী মেম্বর ওইখিবা লুচিংবনি। য়াম্না মমিং লৈরবা মহাক্কুম্বা লুচিংবা অমা লৈখিদবা হায়বসি মণিপুরগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্মরোইদবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবা অসিগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

ডা মশাংথেম হোরাম লমদম অসিগী অফাওবা স্কোলার অমা ওইরম্বনি। মহাক্না লমদম অসিদা হীরম কয়াদা কখোল্লম্বা অসিগীদমক য়াম্না শীংথানিঙাই ওইবা মীশক অমনি। এম চাংখোসৈ অমদি এ হালিম চৌধুরি অসিসু লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অচৌবা খুদোল কয়া তৌরম্বা লুচিংবশিংনি। লুচিংবশিং অসিনা লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবা লুচিংবশিং অসিগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসিগী হৌজিক হৌজিক মেম্বর ওইরিবা এস বীর, খাসিম ভাশুম, টি টি হাওকিপ, টি এন হাওকিপ, কে লৈশিয়ো, কে গোবিন্দাশ অমদি এ কে মিরাবাইনা লৈখিদ্রবা লুচিংবশিং অসিগী মতীক-মগুণশিং শীংথাখি।

## এক্স স্পিকর লোকেশ্বর...

*লমায় ১গী মখা...* কম্পাউন্দ ফেন্সিং শাগৎনবগীদমক্তা মতম অদুগী ৱার্ক মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমারনা চিলহায়দা হায়রকপা মতুং ইন্না ৱাই নিংথেমনা টেন্দরসু তৌদনা ৱার্ক্স এদভাইজরি কম্মিটিগী রিকোমেন্দেসনসু য়াওদনা লুপা ১,৩৭,৩৫,৫০০ গী ৱার্ক ওর্দর অমা পি দব্লিউ দিগী স্পিসিয়েল কন্ট্রেক্তর কেঐচ খেলেন্দ্রোদা পীখি। অসুন্না মতম অদুগী ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমার, প্রোজেক্ট দাইরেক্তর ৱাই নিংথেম অমদি কন্ট্রেক্তর কেঐচ খেলেন্দ্রোনা ক্রিমিনেল কন্সপিরেন্সি অমা চথদুনা ৱার্ক ওর্দর অদু লৌখি হায়বসি ভিজিলেন্স কম্মিসননা থিজিনবদগী খঙলকখি।

অসুন্না কেস অনী অসি ইনভেষ্টিগেসন লোয়দুনা হান্নগী স্পিকর এম এল এ লোকেশ্বর, হান্নগী ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমার, কন্ট্রেক্তর আর কে লক্ষ্মিসনা অমদি কন্ট্রেক্তর কেঐচ খেলেন্দ্রোগী মথক্তা এফ আই আর চন্দুনা কেস রেজিষ্টর তৌখিবনি।

## বিল ৬ গভর্ণরনা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ঙসি ৮ শুবা মীফমদা মমাঙগী মীফমদা পুথোকখিবা বিল ৬ গভর্ণরনা অয়াবা পীরে হায়দুনা এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা হাউসতা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণরনা অয়াবা পীরক্লবা বিলশিং অদুগী লিষ্ট অদু হাউসতা থম্লদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরী এম রমনি দেবীনা হায়, দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর ১) বিল, ২০১৯, দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর থ্রি) বিল, ২০১৯, দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর ফোর) বিল, ২০১৯, দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর ফাইভ) বিল, ২০১৯,অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮দা গভর্ণরনা অয়াবা পীরকখি।

দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন(নম্বর টু) বিল, ২০১৯ অসিনা হৌখিবা মার্চ ১৩ দা অমসুং দি মণিপুর লোক্তাক লেক (প্রোটেক্সন)(থার্দ এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৯ (বিল নম্বর ৬ ওফ ২০১৯) অসিনা মার্চ ২০দা গভর্ণরনা এসেন্ট পীরক্নে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফাইনান্স কম্মিতি অহুম কম্মিটি ওন পব্লিক একাউন্টস, কম্মিতি ওন এষ্টিমেটস, কম্মিটি ওন পব্লিক অন্দরটেকিংসকী মেম্বর ৭-৭ খন্নবগী থবক হয়েং চথনবা ৱাফম হাউসতা থমখি।

## এস এফনা খূৎশু ...

*লমায় ১গী মখা..*অপোকপা তোংপাও বাইতেনি।

মখোয়গী ফাগৎলবা খূৎশু খূৎলাইশিং অদুনা এ কে সেরিজকী ঐচ কে রাইফল অমা, মেগজিন অনী, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৬, মেগজিনগা কোন্ননা নাইন এম এম পিস্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৪, এম শিক্সষ্টিনগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৯, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০ কোন্ননা দবল বেরেল অমা, কেমোফ্লেগকী ফুরিৎ খোঙ্গ্রাওগা কোন্ননা খোঙউপ অমা অমদি স্মোক গ্রে মচুগী মারুতি শ্বিফ নম্বর এ এস -১০ এম এ- ৮২১৫০গনি হায়খি।

## বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট হায়না মমিং ওন্নবা ...

*লমায় ১গী মখা...* অসি ইন্টর্নেস্নেলগী থাক্তা য়ৌহল্লমখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লৈঙাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ওইনসু মখোয় মখোয়গী অফাওবা নীংতম লান্মীশিংগী মমিং থোন্নরি। ষ্টেট অসিগী ওইনসু লৈরিবা এয়ারপোর্ট অসি বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট হায়না থোনবা মতীক চাই হায়না মমাঙ লৈঙাক্কী মতমদা হায়রিবা মমিং অসি ওন্নবা কন্না হোৎনরম্বনি। লৈঙাক্না কেবিনেটনা ৱারেপ লৌবা অমসুং সেন্টরদা থাবদা মতম খরা চঙখিবা। সেন্টরনা ষ্টেট এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌরকউ হায়বদগী মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈখিবনা থবক্তা ওন্থোকপা নঙহৌদবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা ঙসি পুথোকপীরকপা অসি থৱায় হকচাং য়াওনা য়াজনিংই। অথুবা মতমদা ৱারেপ অসি সেন্টরদা থাবীনবা হোৎনবীরো হায়নসু মহাক্ন মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি ষ্টেট এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌখিবা লৈঙাক্ন পুখৎলকখিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগী এম এল এ এস সোভানা হায়খি, লৈরিবা এয়ারপোর্ট অসি মফম অদুবু কোল্লিবা লাই টুলিহলগী মিং লৌদুনা ইম্ফাল টুলিহল এয়ারপোর্ট হায়না মমিং থোল্লম্বনি। ষ্টেট অসিদা বীর টিকেন্দ্রজিৎকী মিংদা ফ্লাই ওভরব্রিদজ অমসু লৈরে। মরম অদুনা এয়ারপোর্ট অসি লাইগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা ওইবনা হান্নগী মমিং অদুদা অদুমক থোনবদা অকায়বা লৈব্রা হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

তুংদা অসুন্না খন্নরবা মতুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা ইম্ফাল ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টপু বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট হায়না মমিং ওন্নবা ৱারেপ অদু হাউসনা অয়াবা পীখি।

## বেবিসনা মীশি সি বি আইদা শিন্নে, শিন্নদে ...

*লমায় ১গী মখা...* মোর্টেম রিপোর্টতা বেবিসনা সুইসাইদ তৌরগা শিবনি হায়না ফোঙলক্লিবা অসিনা করন্না লিক ওইবনো। অপোকপা মপানা চে থাদুনা পোষ্ট মোর্টেম রিপোট অদু য়েংজগে হায়বদনা পীবিদনা লৈরিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রিজুদিস ওইবা ৱাফম কয়া লাকপদা লৈঙাক্না করিগী এক্সন লৌবিদবনো হংখি।

লৈঙাক্না কেস অসি সি বি আইদা শিন্নে শিন্নদে হায়বদু খঙহনবীরো। শিন্নদ্রগনা করম্বা মতমদা শিন্নবীগনি হায়বদু খঙহনবীরো। লৈঙাক্না ইশু অসি নাথৈরগা লৈরবদি অচৌবা ইরাং অমা শোয়দনা হেনগৎলক্কনি হায়না এম এল এ জয়কিষননা ফোঙদোকখি।

লাইফদিবি শান্নদুনা লৈরিবী নুপীমচা অমনা মশা মথন্তা থৌরি য়াল্লগা শিজবনি হায়বসি থাজনিঙাই ওইদে। অঙাং ৩৭ লৈবা কা অমদা নুপীমচা অমনা থৌরি য়াল্লগা শিবা অসি থাজনিঙাই ওইদে। লোয়ননা মী মরক্তা থৌরি য়ানবা হায়বসি লোজিকেল ওইদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মদুগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লৈঙাক্না ইশু অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট ফোঙদোকপা অসিনা অরোইবা নত্তে। মসিদি কোর্টতা চৎলবা মতুংদা ৱায়েল অদুনা অরোইবা ৱায়েল ওইগদৌরিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা জে এ সিনা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না পোষ্ট মোর্টেম অনীরক তৌরে, কেমেরা কভরেজ তৌহল্লে, কেস অদু সি বি আইদা শিন্নৌ শিন্নরে। সি বি আইনা কেস অসি থিগৎলবসু ষ্টেট অসিগী ওইনা এস আই টি অমা শেল্লগা থিগৎহন্নবা থবক লৈঙাক্না লৌখৎলি।

কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ১দা থোকখিবা দি ও পি টিগী ওর্দরগী মতুংইন্না ষ্টেটনা সি বি আইদা হকথেংননা কেস অমা শিন্নবা য়াদে। দি ও পি টিদা চে অদু হোম দিপার্টমেন্টেকী অন্দর সেক্রেটরিদগী তাদবা ওফিসিয়েল অমনা মশানা থিনলগা কেস অদু শিন্নগদবনি হায়বগী তুংইন্না দিপ্যুটি সেক্রেটরী হোম জে হাউকিপ মশা থাদুনা দি ও পি টিদা কেস অসি সি বি আইদা থিগৎহনবীনবা অইবা চে থাদুনা হায়জখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং লৈঙাক্না কনখৎনিংবগী অপাম্বা লৈতে। থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংলিবা ফাইন্দিং খুদিংমক হায়দোকপদি প্রিজুদিস ওইগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুদা এম এল এ জয়কিষননা কেস অসি সি বি আইদা শিন্নবগী ৱাফম লৈতে। মসি সি বি আইদা করম্বা মতমদা শিন্নগনি হায়বদু তাকপীয়ু হায়না তকশিল্লকখি।

চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী কেস অসি সি বি আইদা থিগৎহনবদা করিসু চিংনবা লৈতে। তৌবতবু ষ্টেটনা সি বি আইদা শিন্নবা য়াদবনা দি ও পি টিগী খুখাংদা শিন্নবা থবক লৌখৎপনি হায়খি।

কেস অসি সি বি আইদা শিন্নবীনবা চে ইরগা সি বি আইদা শিন্নরে হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। জে এ সিগী মীফম য়াওরুই হায়দুনা হান্নগী দাইরেক্টর প্রোজিক্যুসন এন জি তেজ কুমারবু পুলিসনা ফানবা কোইতান তান্নবা অসি লেপহনবীয়ু হায়না এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা হাউসতা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর অমসুং এম এল এগী ৱাফম অদু তারবা তুংদা ওপোজিসনগী লুচিংবা অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা লৈঙাক্না কেস অসি সি বি আইদা শিন্নহনবীনবা দি ও পি টিদা ইখিবা লৈখ্রবনা দি ও পি টি অসি প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী মখাদা লৈবনা মসিবু পায়রিবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. জিটেন্দ্রদা চীফ মিনিষ্টরনা অকনবা মওংদা কেস অসি অথুবদা সি বি আইবু থিগৎহন্নবা হেন্না তকশিনবীবা কাইদে। মমাঙদা মহাক্কী লৈঙাক্কী মতমদা অচৌবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অদু দি ও পি টিদা অকনবা প্রেসর পীরগা থিগৎহনখিবা লৈখ্রিবনি হায়খি।

তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা কেস অদু সি বি আইদা শিন্নবা হোৎনরি অমদি থবক অসি পি এম ওগী খুখাংদা দি ও পি টিনা থুনা সি বি আইবু থিগৎহনবীনবা তকশিনলগনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা জে এ সিসু খোঙজং হন্দোকপীরো, মী ফানবা তৌরিবা অদুসু তৌহন্দনবা হায়রগে হায়খি।

## ইন্টরপোলগী মতেং লৌরগা লুখোসৈ জৌ ফানবা ...

*লমায় ১গী মখা ...* মতমদা দ্রগকা মরি লৈননা ফাখিবশিং সি বি আইদা শিন্নরগা থিজিনহনখি। অদুবু কুমজা ২০১৭কী মতুংদগী ফাগৎলকখিবশিং অসি ঙসি ফাওবদা সি বি আইদা শিন্নরগা থিজিনহনখিবা থেংনদে।

য়াল্লবা দ্রগ অমসুং খূৎশু খূৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎখিবা চান্দেলগী এ দি সি চ্যারমেনগী মথক্তা মতম চানা চার্জসিট থাগৎহৌদবদগী বেলদা চৎখ্রে। হৌজিক মহাক কদায়দা লৈরিবগে লৈঙাক্না তাকপীয়ু। মহাক ফাবগী কেস থিগৎলিবা আই ও অদুসু অমুক দ্রগকা কোন্ননা ফাবগী ৱাফম অমা লাক্লিবা অসিনা পুলিসশিংসু চিংনবা হেনগৎহল্লে। ফিভম অসিদা হান্না ফাগৎখিবা দ্রগশিং অদুগী থম্ফমশিং চেক তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লুখোসৈ জৌ কদায়দা লৈরি, মহাক্কী কেসকী ষ্টেটস করিনো, আই ও অদুদগী দ্রগ ফাখিবগী ষ্টেটসনা করিদা লৈরিবগে হংখি। ঙরাং লুপা ক্রোর ৪০০গী দ্রগ ফাবগী কেসতা পুলিস চেন্নবগী ৱাফম য়াওবা অসিনা পুলিসশিংদা মীয়াম্না চীংনবা হেনগৎহল্লে।

দ্রগ ফাবদা পুলিস চেন্নরিবা অসিদা অকনবা মীৎয়েং চংবা মতম ওইরে। মরম অসিনা কেসশিং অসি সি বি আইদা শিন্নরোইদবগী মরম করি লৈবগে হংখি।

মদুগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মমাঙগী লৈঙাক্ন দ্রগকী মায়োক্তা থবক কয়া লৌখত্তুনা লাক্লি। সি বি আইদা কেস শিন্নবদি মপু খঙদবা খঙনবা, মদুগী রুট থিনবগীদমক চঙশিল্লকপনি। হন্দক ফাগৎলিবশিং অসিদি মীওইশিংগা কোন্ননা ফাবনি।

লুখোসৈ জৌগী কেস অদু চার্জসিট থাগৎলি। মহাক হেল্থ গ্রাউন্দদা বেলদা চৎখিবনি। মহাক ম্যানমারদা লোত্তুনা লৈবগী পাউ ইন্টরিজেন্সনা ফংবা লৈ। মরম অসিনা সি বি আইদা হায়নদুনা ইন্টরপোলগী মতেং লৌরগা ফানবা থবক লৌখৎপা হৌরে হায়খি।

অমরোমদা স্কুল বসশিংদা মহৈরোই শারগা লাক্লগা দব্লিউ ৱাই তেব্লেটশিং য়োনবগী পাউ লৈঙাক্তা লৈরে। মসি খঙদোক্লবা থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক থোকপা স্কুল খরসু লৈঙাক্না খঙদোক্লগা লৈরে হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা দ্রগকী ৱাথোক অসি য়েংলগা মোরেগী গেট অসি সিল তৌবনা ফবা লৈব্রা হায়বদু খন্নবা য়ারবনি। দ্রগ লল্লোনবগা মরী লৈননা ফাবশিং অসি মীয়াম খঙ্না চৈরাক পীবা য়াবা লো অমা শেম্বনা ফরব্রা হায়না খল্লকপা লৈ হায়খি। মীয়াম্নসু হৌজিক্তি দ্রগ ফাবদা চঙা মতেং পাঙবীরে হায়খি। মসিগী থবক অসি মায় পাকহনবদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা য়ারোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাগৎলিবা অসিদা ম্যান্মার মচা য়াওরম্বসু থেংনরে হায়খি। চীফ মিনিষ্টরগী পাউখুম তারবা তুংদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা লুখোসৈ জৌগী কেস অসি সি বি আইদা শিন্নগনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোক্ত্রিবা ফাওবা মহাক্কী মোসন অদু হন্দোক্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অনীগী ৱাফম তারবা তুংদা ওপোজিসন লুচিংবা অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হায়, দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নরিবশিং য়াদ্রে হায়বা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরে। অদুবু মখোয় অসি ফাবদা মীয়াম্না কয়া য়াম্না মতেং পাঙগনি হায়বসি হংনিঙাই ওইরি। দ্রগ মাফিয়াশিং অসিদি নোংমৈ পায়রমগনি, মী কয়া অমা মহাক্কী খূৎনেক ওইনা লৈরমগনি। লৈঙাক্তা পাউ পীবশিং অদুদা কিহন খংহনবগী থবক চথরকপসু য়াই হায়খি।

মরম অসিনা চাউনা চাউনা চেন্নরিবা কেসশিং অসি সি বি আইদা থিগৎহন্দুনা মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীহন্দুনা মতুংদা অসিগুম্বা থবক অসি তৌবা য়াদে হায়বা খঙহনসি হায়খি।

লুখোসৈ জৌগী কেস অদু মতম চানা কেবিনেট দিসিজন লৌরগা সিবি আইদা শিন্নরল্লবদি নাম্থোক্তুনা চেনলমদবা য়াই হায়খি।

অদুগা মোরেদা ম্যান্মারগী গেট সিল তৌবনদি কান্নরোই। মরমদি য়াল্লবা দ্রগশিং অসিদি গেট অসিদা লাকপা নত্তে, শাংলবা বোর্দর অসিগা উমং ৱামং ফাওরগা পুরকপা ঙাক্তনি হায়খি।

# মণিপুরগীদি গেহুগী মহুৎ চেঙ লৌবনিঃ শ্যাম

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর অসি চেঙনা নম্না চাবা গেহু চাদবা ষ্টেট ওইবনা ফংফম থোকপা গেহুগী কোটা অদুগী মহুত্তা চেঙ ওইনা লৌবনি। চিনিসু হান্না সবসিদি পীরম্বদগী সবসিদি পীখিদ্রবা মতুংদা এফ সি আইগী চিনিগী মমলগা কৈথেলদা ফংলিবা অদুগী মমলগা মান্নবনা মীয়াম্নসু লৌবিদবদগী চীংদবনি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়ুনিভর্সেল ক্লবকী ৩৪ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর কে শ্যামনা হায়, ষ্টেট অসিগী ওইনা গেহুগী কোটা লৈতবা নত্তে। অদুবু মণিপুর অসি গেহু চাবা লম নত্তবনা চেঙ ওইনা চাবনা গেহুগী মহুত্তা চেঙনা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়জরগা শিন্দোকপনি। মসিগা লোয়ননা চিনিসু অদুমঙাই হান্না চিনিদা পীরম্বা সবসিদিগী শেনফম অদু ককখ্রবা মতুংদা সবসিদি য়াওদ্রবা মতম অসিদদি এফ সি আইগী চিনি অসিগা কৈথেলদা য়োনলিবা চিনিগা মমল মান্নরকপা অসিদগী মীয়াম্না অয়েনবা চিনি অসি লৌবীরক্তবদগী চিনি লৌদবনি হায়খি। লৈঙাক্না ইন্দিয়ানা পীরিবা চাকথুং খুদিংমক লৌনবা হোৎনরি হায়খি। মসিদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা কাঙবুগী মরক্তগী মীয়াম্না লান্না চৎখিবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকপীদনবা আপীলসু তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর কে শ্যামনা হায়, ক্লব হায়বসি খুন্নাই অসিগীদমক অফবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা লৈবা ইন্সটিট্যুসন অমগা মান্নরিবনি।

ক্লবগী থবক তৌরিবশিংনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনগদবনি। মীয়াম্না থাজবা থম্লবা মতমদা তৌরিবা থবক খুদিংমক অদু মায় পাক্কদৌরিবনি। ক্লবকী থৌপুবা ওইবা তারবদি থবক তৌবা ঙম্বা, ইন্টিগ্রিটি লৈবা, মীনা ফিদম্নিঙাই ওইবা, মীয়ামগী থবক তৌনিংবা মীওই ওইবা তাই।

খুন্নাই অমা শেমগৎপা মতমদা ক্লবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। ক্লব তৌবা মতমদা পোলিতিক্সকা নকশিন্ননা চৎপা চুস্লোই। থবক তৌবা মতমদা পরম চুম্না থবক তৌবা চংই হায়খি। মতম চুপ্পদা লৈকাই, লমদম অদুগীদমক অফবা থবক তৌনবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং লৈবনি।

ক্লব অমা মায় পাক্না থবক তৌগে হায়বা তারবদি চহীগী ওইবা প্লান পোলিসি শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। খুন্নাই অসিগী মতিং লৈবা মীওইশিং পুথোক্নে হায়রবদি ক্লবনা য়ুম্ফম ওইরগা মদুদগী পুথোকপা তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী ত্রেজরর রোবিন ব্লেকিনা হায়, ক্লব অসিনা খুন্নাই অসিবু মায়ওন অমদা পুগদৌরিবনি। মীওইবগী পুন্সিগী পান্দম অমা ফংগে হায়রবদি পোলিটিক্স হায়বসি য়াওদবা য়ারোই। পোলিটিক্স হায়বসি পুন্সিরোলনি হায়খি। লোয়ননা মায় পাকপা মী অমা ওইবা মতমদা পোলিটিক্স অসি তঙাইফদে হায়খি।

# ইমপ্লোয়িশিংগী দিমান্দ এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা কুপ্না খন্নবীয়ুঃ জে এ সি ওফ এমটুক এন্দ এমজিও

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়িশিংগী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা জে এ সি ওফ এমটুক এন্দ এমজিওনা তকশিল্লিবা ৭ শুবা সেন্ট্রেল পে পীনবগী ৱাফম অসি য়াওনা পূন্না চার্টর ওফ দিমান্দ ২২গী মনুংদা দিমান্দ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা পুথোক্তুনা কুপ্না খন্নবীয়ু হায়না জে এ সি অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল লাইতোনজম বিকেন সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

জে এ সিগী ওফিসতা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বিকেননা পাউমীশিংদা হায়, জে এ সি অমসুং ইমপ্লোয়িশিংনা ৭ শুবা সেন্ট্রেল পে পীবিনবা দিমান্দ তৌরগা চঙশিল্লিবা অসিদা লৈঙাক্না ষ্টে পেরোমদা কুমথরকপগী মওং অমদা চঙশিল্লক্লি।

হন্দক্তা থোকখিবা ওর্দরশিং অদুদা সেন্ট্রেল পে পীবগী ৱাফমগী মহুত্তা শেমদোক শাদোল্লবা ষ্টেট পে ষ্ট্রকচরগী মওংদা থোরকপদগী জে এ সিনা মদু য়াবা ঙম্লোই হায়দুনা জেনরেল কাউন্সিলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে।

ৱারেপশিং অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ৩০গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা জি এম হোলদা অখন্নবা জি বি মিফম অমা জে এ সি ওফ এমটুক এন্দ এমজিওনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি। মসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিং, ওজাশিং, ফেমিলি পেন্সনরশিং য়াওগনি। মীফম অসিদা এজেন্দদা য়াওরিবা ইমপ্লোয়িশিংনা য়ৈথোকখিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং অদু মখা চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবা তারবদি মদুনা মীয়ামদা থোকহনগদবা খুদোংচাদবা ময়াম অদু য়েংবীরগা ৭ শুবা সেন্ট্রেল পে য়াওনা দিমান্দ ২২গী মনুংদা মরম চাবা পোইন্টশিং হয়েংগী মীফমদা খন্নবীয়ু মদুদা করিগুম্বা খন্নবীদবা তারবদি ওগষ্ট ৩০গী মীফম অসিদগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লকপা তারবদি মদু জে এ সিনা নত্তে, লৈঙাক অসিনা থোকহনবনি হায়না লৌবীনবা আপীল তৌখি।

হৌখিবা জুন ২৮ দা চীফ মিনিষ্টরদা অলটিমেটম অমা পীশিনখিবা অদুদা জুলাই ১০ ফাওবদা থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা হায়জবনি। মদু তৌদ্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাওথোকখ্রবসু মদু চঙশিন্দনা লৈরিবনি। লোয়ননা জে এ সিনা অকনবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মরি লৈনবশিং উন্নদুনা তাথোক তাশিন তৌনবগী খুদোংচাবা পীবীনবা আপীল তৌখি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ওগষ্ট ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা অখন্নবা জি বি মীফমদা লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীনবা আপীলসু তৌখি।

জে এ সিনা তকশিল্লিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা জনুৱারি১, ২০১৬ তগী পারগা ৭ শুবা সেন্ট্রেল পে পীবা, কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১৮দা থোকখিবা ওর্দর রিভিয়ু তৌবা, দিউ লৈরিবা দি এ-দি আর লোইনমক পীথোকপীবা, গ্রেদ থ্রি ইমপ্লোয়িশিংগী রিক্রুইটমেন্টকীদমক মণিপুর ষ্টেট ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন শেম্বা, মমাঙদা য়ান্নখিবগী মতুংইন্না সেক্রেটরিয়েট ইমপ্লোয়িশিংদা পীরিবা সেক্রেটরিয়েট দ্যুটি এলাৱেন্স অমসুং অতৈ দিপার্টমেন্টশিং রেভিন্যু অমসুং সি এ এফ এন্দ পি দিদা এলাৱেন্সশিং অসি চাং মান্ননা বেসিক পেগী চাদ ১০ পীবিয়ু, পে এনোমেলিশিং শেমদোকপা, মিনিমম ৱেজ রিভিয়ু তৌবা অসিনচিংবা য়াওরি।

# হায় কোর্টকী খোঙথাং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর মীয়ামগী পূক্নিং ইহুল খঙবিবগা লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না মণিপুরগী হায় কোর্টনা কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা লোক্তাক পাৎতা করিগুম্বা মখল অমত্তগী প্রোজেক্ট পায়খৎপা য়ারোই হায়বগী ওর্দর অমা হৌখিবা থা অসিগী তাং ৭ তা থোকখিবা অদুবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মনিপুর লেক এরিয়া ফিসরমেন য়ুনিয়ন মণিপুর (এ এল এল এ এফ য়ু এম) গী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনাম রাজেননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, 'মালেমগী মাঙথারক্লবা পাৎশিংগী মনুংদা চল্লবা লোক্তাক পাৎ অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী মিংদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা অমদি অচৌবা শেনফম কয়া মরী লৈনবশিংনা মীয়ামগী মাঙদা ফোংনা হুরান্দুনা লাকপনি। হায় কোর্টকী খোঙথাং অদু মতিক চাবা অমদি মতম চপ চারবনি।

হৌখিবা ২০১০ দা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা থুগাইদুনা মাঙহনখিবা ফুমশঙ ৭৭৭ কী মনুংদা শুপ্পগী ৭১৯ না কম্পেসেসন ফঙখ্রে, লৈমহৌরিবা ২৫৮ অমদি ঙসি ফাওবা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবিদ্রে। ফুমশঙ অমগী কম্পেসেসন অদু লুপা ৪০,০০০ নি অদু ওইরগসু লেমহৌরিবা ফুমশঙশিংদা পীগদবা লুপা ১,০৩,২০,০০০ কদায়দা থমখ্রবগে। এল দি এ না শেংদোকখিবা ফুমদি অদু ১৩২.৯৪ লাক্ষ ক্যুবিক মিটরনি হায়রি। অদুবু ওইরগদি লোক্তক্তগী লৌথোকখিবা অদুক য়াল্লবা ফুমদিশিং অদু কদাইদা পৈদুনা থম্বগে ? লোয়ননা পাৎ অসিদগী ফুমদি কয়া তৌদুনা লৈবা মীয়াম্না ইফোঙ ফোঙনা উবা ফঙই। মসিগী মথক্তা লোক্তাক মপান্দা লৈবা চীংদুমশিংদগী লৈবাক কোখোক্তুনা পাৎ অদুগী মফম খরদা লৈবাক ওন্থোক্তুনা মণিপুর লোক্তাক লেক (প্রোটেক্সন) এক্ট ২০০৬, ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৮৬, ৱেটলেন্দ রুলস অমদি রামসা কনসুরেসনগী চৎন পথাপ থুগাইদুনা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মণিপুর লোক্তাক লেগ (প্রোটেক্সন) এক্ট ২০০৬ কী চৎনবীগী ৱাংমদা এল দি এ না ফুমশঙশিং মৈ থাদুনা লমদম অদুগী মীয়ামগী হ্যুমেন রাইটস মাঙহনবা লৈখ্রে। মদুগী মথক্তা শেমগৎ শাগৎপগী মিংদা লোক্তাক্কী ফিভম অমুক হেন্না শোকচিলহল্লি। হায় কোর্টকী ওর্দর ফাওবা থুগাইবা লৈখিবনা হৌজিকসু মীয়াম অকিবা অমগা লোয়নরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লোয়ননা লোক্তাক পাৎ অসিবু কনবা হায়বা অসি মীয়াম পূম্বগী থৌগাইহনি। লোক্তাক পাৎ শেংবগী মিংদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবা অমসুং শেঙ্গা থুমজা চত্থখিবশিং লৈঙাক্না মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি অমদি হায় কোর্টকী ওর্দর অদু মীপুম খুদিংমক্না ইনফম থোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## লোমেকরশিংগী ফীরেপ অমা মীয়ামদা...

*লমায় ১গী মখা ...* য়াবা ঙস্লোই। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা য়াওরিবশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা ঙসি লাউদুনা লাক্লিবনি। ঙসি ফাওবা মীয়ামদা খঙহন্দনা লৈবা অসিনা থম্মোয়দা চিংনবা ফাওবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। এন সি সি এন (আই এম) গা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈনরিবা অরোনবা মরী অসি পোলিটিকেল পার্টি নিপান অসিনা মুন্না খঙই। জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু অনী থোক্না থুগায়খিবগুম মণিপুর অসিসু অনী থোক্না থুগায়রক্লোই হায়বা ঙমদে। মরম অদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈঙাক পায়রিবশিংনা ঙসিদগী হৌনা চত্থরিবা নুমিৎ নীনিগী নোংজু মীফম অসিদা ওপোজিসন, রুল্লিং খায়দনা অমতা ওইবা খোঙফম অমা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বদু খন্নরগা মীয়ামদা খঙহল্লু অমসুং সেন্টরদা চে ইদুনা খঙহনগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নৌনা পোলিটিকেল নিপাননা পুনশিল্লগা শেম্বা মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা কূপ্না খন্ন- নৈনবগীদমক মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। লাক্কদৌরিবা ইশু অসি অরাইবা ওইদবনা মীয়াম পুম্বনা কুপ্না নৈনরগা মাঙজৌননা ফীরেপ কয়া লৌমীন্নহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদসু হীরম অসিগী মতাংদা এসেমব্লিদা ফীরেপ অমা লৌবীনবা চে থাখিবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স শেম্বদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টি নিপান অদুদি, এম পি পি, বি এস পি, পি বি এস পি, এম পি সি, টি এম সি, এন সি পি, আর এস পি অমসুং আর জে এস পিনি। এল্লাইয়েন্স অসিগী চেয়ার্মেননা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট জুগিন্দ্রোনি হায়রি।

## নুপা অমা থাঙনা থিন্দুনা...

*লমায় ১গী মখা...* লিমেন (৩৪) অপোকপা শন্তিবী কৌই।

লৈখিদ্রবা রোমেসকী ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকপদা লিমেন হায়রিবা মীওই অসি ৱাখল লৈনা নাবা মীওইনি। মহাক ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা রোমেসকী য়ূমদা লাক্লগা মাঙ্গোলদা থানবা ইলেক্ট্রিক্ট বল্বশিং চৈনা কল্লগা থুগায়বদা নক্না রোমেসকী অপোকপী পীশক দেবীকুসু ফুবদগী য়েৎথংবা মখুৎ তেকখি। থৌওং অদু উবদগী রোমেস চেনশিল্লক্তুনা লিমেনগা ঙাইহাক মুক্নখি। তুংদা রোমেসকী মনাওনুপা নাওচানা লিমেনবু ময়ূমদা থিনখি। লিমেননা চত্থরল্লিবা থৌওং অদু মখোয়গী অহল লমনদা তম্লুগে হাদুনা রোমেস য়ূমদগী থোকখিবনি। অদুবু ইকুই কুইদনা মতমদা রোমেস শোক্নে হায়না মীয়াম্না য়ূমদা পাউপিনরকপদগী চক্না য়েংলুবদা রোমেসকী পুকচেপ্তা থাংগুম্বা অথৌবা পোৎশক অমনা থিনবগী দাকফম লৈবগা লোয়ননা তারগা লৈরমখি। মদু উবদগী খুদক্তা মীয়াম্না রোমেসপু রিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নবদা লায়কল্লবা নংদনা লৈখিদবনি।

রোমেস লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তবদগী লৈকাইগী খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরক্তুনা লিমেনগী য়ূমগী পোৎচৈনচিংবা কয়া অমাং অতা থোকহনখি। অদুবু মফমদুদা অহেনবা পুলিস পার্সোনেলশিং চংশিল্লক্লগা স্মোক বোম শিজিন্নদুনা মীয়াম অদু তকথোকখি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা লিমেন শিংজমৈ পুলিসতা সরেন্দর তৌখ্রে। মহাক্ন রোমেসতা থিনবদা শিজিন্নবা থাং শোরি অমদি চৈ পুলিসনা মহাক্কী ময়ূমদগী ফাগৎখ্রে। মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক নুপী পুলিস য়াওনা মশীং য়াল্লবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎখ্রে। লৈখিদ্রবা রোমেস নুপী থিদুনা মচা নুপা অনী লৈরে। মহাক হৌজিক দিজল ওতো রিক্সো থৌরগা ইমুং পুবনি হায়রি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

## রেসিদেন্সিয়েল কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা চত্থগবা ওৎঝা অমদি মহৈরোইশিংগী ওইবা রেসিদেন্সিয়েল ত্রেনিং কোস অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। নিশা লৈতবা মণিপুর অমা ওইহনসি হায়বা থিমদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দিওসেসিন সোসিয়েল সার্ভিস সোসাইটিকী কনফরেন্স হোলদা চুরাচান্দপুর অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং কোর্স হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উত্তম, দিপ্যুটি দাইরেক্তর কোন্সম সেরোজা য়াওনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোক থোঙবা ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী ত্রেনিং কোর্স অদুগা মরী লৈননা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর উত্তমনা হায়খিবদা হৌজিক লৈঙাক অসিনা মমাঙ চহীদগী হৌরগা নিশা লৈতবা মণিপুর ওইহনসি হায়না মিংথোনবা মিসন অমা চঙশিল্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তগী খনগৎলবা স্কুল ৮০ দ্রগ ফ্রি জোন হায়না লাওথোক্লবা শেম শারি হায়খি।

লৈঙাক্কী থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা চুরাচান্দপুর অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী স্কুল ৫ খনগৎলগা অকন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। ত্রেনিং অসিগী মনুংচন্না তোঙান তোঙানবা এক্সপার্টশিংনা মহৈরোয়শিংবু দ্রগ শিজিন্নহন্দবা লোয়ননা দ্রগ শিজিন্নবা মহৈরোইশিং মতৌকরম্না দ্রগতগী লাপথোক্লনা লৈনবা কাউন্সিল্লিং পিগনি। ত্রেনিং অসি লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু স্কুলশিংগী ওৎঝা অমদি মহৈরোইশিংদসু ফঙহন্নবা হোৎনগনি হায়না দাইরেক্তরনা মখা তাখি। ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী শরুক অমা ওইনা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দাইক্তেরনা লুচিংদুনা দ্রগ শিজিন্নবা অমদি দ্রগ শিজিন্নবগী অৱাবা মায়োক্নরিবশিংবু মতেং পাংবা হায়না ৱাশকমীন্নখি।

## শক্তাক চে চ্যেক তৌবগী থবক চত্থরি

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৬ (এস এন এস)ঃ

জিরিবামদা হাংলিবা ফোরেন্নর পুলিস চেক পোষ্টতা মোবাইল এপ্প শিজিন্নদুনা ওনলাইনগী খুখাংদা মপাল লমদগী চঙলকপা মীতোপশিংগী শক্তাক চে চেক তৌবগী থবক চত্থরি। পাউ চে অসিনা জিরিবাম থোংদা হাংলিবা চ্যেক পোষ্ট অদুদা পুলিস পার্সোনেলশিংনা অসামরোমদগী চঙলকপা গারীশিংদা তোংলকপা মীওইশিং কুপ্না য়েংশিনবগী থবক চত্থবা থেঙনরকখি।

চেক পোষ্ট অদুগী ইন চার্জ ওইরিবা সব ইন্সপেক্তর ৱাই লাকেসদোনগা উন্নবদা মণিপুর লৈঙাক্ন লমদম অসিদা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী বাউন্দরিদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা অকনবা য়াথং পীরকপদগী জিরি পুলিসনসু অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। সিলচরদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা গারীশিং জিরিবামগী থোংদগী লৈঙাংপোকপী ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা নিংথিনা চেক তৌরি। জিরিবাম ফাওবা থবক শুনবনি হায়দুনা মণিপুরদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী নোংমদা পেসেঞ্জর গারী তোংদুনা মীতোপ ২০০ দগী ৩০০ ফাওবা চঙশিল্লক্লি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা অশাবা দোক্যুমেন্ট পায়রগা চঙলকপ্রা হায়বদু পুলিসকী মায়কৈদগী মোবাইল এপ্পকী মতেংনা খুদক্তা চেক তৌরি। নোংমদা য়ামদ্রবদা চে চাং শুন্দবা মীওই ৫ দগী তাদনা ফাগৎতুনা হলহনখিবগী থবক চত্থরি হায়না ফোঙদোকখি। মীয়াম্নসু কনাগুম্বা মীতোপশিংনা লমদম অসিদা লোৎতুনা চঙলকপা থেংনরবদি খুদক্তা মনাক নকপা পুলিসতা পাউ পীবিয়ু হায়না মহাক্ন মখা তানা আপিল তৌখি।

## 'সি এম ঐচ টি কার্দ পায়নবা হোৎবিয়ু'

ইম্ফাল,ওগষ্ট ২৫ (এস এন এস)ঃ

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী কার্দ পায়বা য়ারবা মীওইশিংনা শুকশোয় শোয়দনা কার্দ অসিবু পায়বিয়ু হায়না হেলঠ মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা আপিল তৌরক্লি। ৱাফম অসি ঙরাং কৈশামথোং এন পি পি দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পিশুমথোঙ নিঙোম্বম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথেকাখিবা মেগা ফ্রি কেম্প অমদা ফোঙদোকখিবনি। তোঙান তোঙানবা ডাক্তর ২০ না মীওই কয়াদা লায়েংখিবা কেম্প অদুগা মনুংচন্না মীওই কয়াদসু সি এম ঐচ টি কার্দসু য়েন্থোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খিবদা, লাইরবা মীয়ামগীদমক্তা অনা লায়েংদা মতেং ওইনা লৈঙাক অসিনা হৌদোক্লিবা সি এম ঐচ টি কার্দ পীবা অসি হৌজিক খুমাঙ চাওশিল্লি। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরনা ইলেক্সনদা ভোৎ পী পীদে হায়দুনা কার্দ শাদবা তৌবিগনু। কার্দ অসি পায়বগী ক্রাইটেরিয়া শুরবা মীওইশিংদি কার্দ অসি শোয়দনা লৌদুনা কান্নবা অসি লৌনবা হোৎনবিয়ু। লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লিবা হেলঠ কেম্প অসি মখা তানা কৈশামথোং কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু পাঙথোক্কনি হায়খি।